পেরলাইসিস তৌরবা মীওই অমা শীজ হোস্পিটালনা লায়েংখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯: ষ্ট্রোক তৌবদগী হকচাং তঙখায় অমা পংথরগা পুখৎলকখিবা অনাবা অমা শীজ হোস্পিটালদা লায়েংলগা ফহনখ্রে।

শীজ হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স ইন্সটিট্যুট প্রাইভেট লিমিটেদকী দেপ্যুটি মেনেজর-বিজিনেস দিভলপমেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ষ্ট্রোক তৌবদগী হকচাং তঙখায় অমা পঙথরবী নুপী অমা শীজ ইমর্জেন্সি এন্দ ট্রেমা সেন্টরদা পুখৎলকখি। থৌবালদগী নুপী অদু খোঙ-খুৎ লেঙবা ঙমদবগা লোয়ননা ৱা ঙাংবা ফাওবা ঙম্মদে। এম আর আইগী মতেংদগী নুপী অদু ষ্ট্রোক তৌবনা মরম ওইরগা ব্রেনদা ঈ য়ৌবা ঙমদ্রে হায়বা খঙবা ঙমখি। খুদক্তা নুপী অদুবু মেকানিকেল থ্রোম্বেক্টোমী হায়না খঙনবা ইমর্জেন্সি পিনহোল ইন্টর্ভেন্সনেল রেদিওলোজি ট্রিটমেন্ট চথদুনা লায়েংখি। থঙনবা নুমীৎতা নুপী অদু লেঙবা ঙম্লকপগা লোয়ননা নুমীৎ নিনিগী মতুংদা ৱা ঙাংবা ঙম্লকখি। হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌবা মতমদা নুপী অদু মশা মথন্তা চৎপা ঙমখি। কন্সল্টেন্ট ন্যুরো ইন্টর্ভেন্সনেল রেদিওলোজিষ্ট, ডা. থাংজম গৌতমনা মিনিট ৩০ চংনা লায়েং চথখিবনি হায়রি।

নেসনল দিৱর্মিং দে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯ : শীজ হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স ইন্সটিট্যুট প্রাইভেট লিমিটেদনা শিন্দুনা হয়েং নেসনল দিৱর্মিং দে পাঙথোক্কদৌরি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা হয়েং পুং ৯.৩০ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা মশাগী চহী ১ দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা দিৱর্মিং টেব্লেট লেম্ন া পীগদৌরি। হিদাক য়েন্থোক্কদবা মফমশিংদি শীজ হোস্পিটালগী ও পি দি, লম্ফেল সনা কৈথেলদা লৈবা শীজ ই এন টি হোস্পিটাল, উরিপোক অচোম লৈকায়দা লৈবা ব্রায়ন মেদিকেল ষ্টোর, খুম্বোং কৈথেলদা লৈবা হিল্লীং লাইফ ফার্মাসি, ককচিং কৈথেলদা লৈবা নাওরেম ফার্মা অমসুং মোইরাংদা লৈবা বিসেসোরি ফার্মাসিনি হায়না শীজ হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স ইন্সটিট্যুট প্রাইভেট লিমিটেদকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ : লোক সভাদা পাস তৌখিবা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ খুদক্তা হন্দোকউ হায়দুনা থৌবাল হাওখাদা লৈবা এম এস গ্লোবেল একাদেমীগী মশীং য়াল্লবা মহৈরোয়শিংনা ঙসি নেসনল হায়ৱে ১০২ য়াওনা থৌবাল হাওখাগী অকোয়বদা খোঙচৎ চৎখ্রে। খোঙচৎ অদুদা মহৈরোয়শিংনা সী এ বি ৱিদ্রো তৌ, মহৈরোয়শিংনা বিল অসি ওপোজ তৌই, সী এ বি রাজ্য সভাদা পাস তৌবা য়ারোই হায়বা প্লেকার্দশিং শীজিন্নখি। ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবী মহৈরোয় অমনা ফোঙদোরকপদা, সী এ বি মহৈরোয়শিংনা য়ানিংদে, বিল অসি হন্দোক্কিবা ফাওবা মহৈরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিং লেপ্তুনা চথখিগনি হায়খি।

GAS NEWS

ATHOKPAM INDANE SERVICE WANGJING & KHONGJOM
Booking Upto:16/12/2018
Valid From:10/12/2018
Stk : 612 (CTC)
Timing:07.30am to 10.00am

CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto:21/12/2018
Valid From:19/12/2018
Stk 14Kg:576, Rs.772.50/-
Timing:08.00am to 10.00am

LEIBAKLEI GAS, KHONGJOM
Booking Upto:15/12/2018
Valid From:01/08/2018
Stk :306
Timing:07.30am to 11.00am

M/s KHUMBONG INDANE
Booking Upto:06/01/2019
Valid From:05/01/2019
Stk : 612
Timing:07.30am to 10.30am

MAHALAKSMI INDANE GAS SL. NO. UPTO - 239663
Booking Upto:05/01/2019
Valid From:01/01/2019
Stk:306
Timing:07.30am to 12.00noon

MAIBIA GAS, MOIRANG SL.NO. 5521 - 5995
Booking Upto:10/12/2018
Valid From:08/12/2018
Stk:306
Timing:07.00am to 11.00am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto:19/12/2018
Valid From:13/12/2018
Stk :612, 19Kg Stk : 36
Timing:07.30am to 09.30am

HIYANGTHANG INDANE
Booking Upto:24/12/2018
Valid From:16/12/2018
Stk:306
Timing:07.00am to 10.00am

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking Upto:26/12/2018
Valid From:19/12/2018
Stk:306
Timing:07.30am to 10.30am
(First Come First Serve)

ঐখোয়গী কাঙলূপ অসি মালেমদা লাক্লবা ঙল্লোয় : চীফ মিনিষ্টর বীরেন

ককচিং, ফেব্রুৱারী ৯(ঐচ এন এস): দোক্টর ওইসনু, আই এ এস ওইসনু, মিনিষ্টর ওইসনু, এম এল এ ওইসনু ওইনিংবা ওইসনু মীওইবগী মীনুংশি, থকসি-খাসি, থৌগল্লোন খঙনা হ্যুমেন সার্ভিস তৌরবদা ঐখোয়গী কাঙলূপ অসি মালেমদা লাক্লবা ঙল্লোয়।

মথক্কী ৱাফম অসি ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লমদোংদা লৈবা জীবন হোস্পিটাল ককচিংগী ইমর্জেন্সি অমসুং ট্রোমা কিয়র য়ুনিট, এদভান্স লাইফ সপোর্ট এম্বুলেন্স অহুম অমসুং ওদিটোরিয়ম হাঙদোকপা থৌরমগী অথোইবা মীথুংগী ৱারোলদা সী এম বীরেননা ফোঙদোকখিবনি। মখা তারদুনা মহাক্না হায়, ককচিংদা লৈরিবা মীয়াম অসি হোৎনবা কনবা, শুবা-নোম্বা কনবা অমসুং হৈথোয় শিন্থোয়বা পুম্বা মণিপুরগী মীয়াম্না খংই। অতৈ মফমশিংদা লৌ লোকখ্রবা মতুংদা লবুক লমহাংশিং পুমহাং হাংহন্দুনা থম্মী অদুবু ককচিংগী লৌমীশিংনা হঙ্গাম থাবা, আলু থাবা তৌদুনা মতম পুম্নমক্তা হোৎনদুনা চাথোক পুথোক্তুনা মশাগীখক্তা নত্তনা লমদম অসিগী শেনমীৎলোন ফগৎনবা হোৎনরি।

থবক শুনিংবা অশেংবা লৌমী কয়াদা পীনবা থাদরকপা স্কিম কয়াগী পোৎলমশিং অশেংবা লৌমীশিংনা ফঙবগী মহুত্তা লৌমী নত্তবা লৌমী শাবশিংনা লৌদুনা অদুম্নমক লৈরে। বি জে পিনা লুচিংলিবা সেন্টরগী লৈঙাক্না লৌ একর অনিদগী তাদনা লৈবা অশেংবা লৌমীশিংগীদমক মশা মশাগী একাউন্টতা চহী অমাদা লূপা লিশিং ৬/৬ হাপ্পবা থৌরাং লৈরে। মসিগীদমক লৈঙাক অসিনা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং কন্না পায়খৎলি। অদুবু ঐখোয়গী লাইবক থিরিবদি চিংদা লমগী মপূ লৈতবা ঐখোয়গী চপ চাবা লৌমীগী মশিং অসি উৎপা ঙমদবা অসিনা খুদোংচদবা কয়াদি মায়োক্লরগনি।

জীভন হোস্পিটালগী মেনেজিং দিরেক্টর ওইরিবা ডা. অসোককুমারনা মীয়ামগী শেবা তৌরকপা অসিমক থাগৎনিংঙাইহনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা পাংবা য়াবা পীবা য়াবা তেংবাং লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু পাংনবা হোৎনগনি ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱাই সুরচন্দ্রা, এম এল এ, ককচিং এ/সী না থৌরম মপূ, কে শ্যাম, মিনিষ্টর, সী এ এফ এন্দ পি দি, ডা. ৱাই রাধেশ্যাম, চ্যেরমেন মনিদকো অমসুং মনিত্রোন, এস বিরা, এম এল এ, কুম্বী এ/সী না অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কৈথেল ফম্বীশিংনা খ্বাইরম্বন্দ...

লামায় ১গী মখা... মুখ্থৎনবা হোৎনরিবা বিল অসিনা মরুওইনা লমদম অসিদা শোকহনগদৌরিবনি। বিল অসিনা পাস তৌরবদি পোলিটিসিয়নশিংগী ওফিস লৈবা য়ারোই। বিল অসি চৎনরকপদা ঐখোয় করি ফীভমদা লৈরক্কনি হায়বসি খঙবা চঙই। থাঙ্গাল কৈথেল, পাওনা কৈথেল অসিদা য়েলহৌমীশিংগী মফম ওইরিব্রা, মসিদা ঐখোয়না তুমিন্না লৈবা ঙম্লিব্রা। য়েলহৌমী কঞ্জনবা হোৎনবা অসি ঐখোয়গী লন্নাই নত্তে। পুলিস, পোলিটিসিয়ন, দ্রাইভর হায়বা লৈতনা শরুক য়াওরিবনি। ইরমদম অসি য়েলহৌমীশিংগী মফম ওইরিব্রা, বিল অসি পাস তৌরকপদা ঐখোয় থৱায় থাদোকপদা পাম্মুগদবা নত্তে। ঐখোয় কখোক্কদবনি। য়েলহৌমী কনবীনবা হোৎনবদা মণিপুরদা লৈরিবা পূন্নমক্না থেংনগদবনি। লৈঙাক পায়রিবশিংনসু অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি। অৱাং-নোংপোক্কী মীয়াম্না পামদবগী খোল্লাউ লাউরিবা অসিদা সেন্টরগী বি জে পি লৈঙাক্না তাবীবগী মহুৎতা পুথোক্লবা হোৎনবা লেপ্তে। মণিপুর মীয়াম, অৱাং-নোংপোক লমদমগী মীয়াম করিসু নত্তে হায়না খনবগী মওং তাক্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ওল মণিপুর আর্ট এন্দ কলচর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা শীন্দুনা মণিপুর লৈঙাক্কী দান্স কোলেজ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী মহৈরোয়শিংনা এম বি কোলেজগী মায়োক্লবদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা য়ুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরি থোকচোম তোলেননা ফোঙদোকখিবদা, পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌগদবগী ঙাইদুনা লৈরিবা বিল অসি অৱাং-নোংপোক্কী খল্লগা ৱিদ্রো তৌবীয়ু। মণিপুর মীয়ামগী খল্লগা ৱিদ্রো তৌগদবনি। সেন্টরদসু বি জে পি লৈঙাক পাল্লি। মণিপুরদসু পাল্লি। বিল অসিনা পাস তৌখিবা হায়বসি মণিপুরগী য়েলহৌমী মুখ্থৎনবা লম্বী ওইরি। ঐখোয়গী লৈজরক্লবা নাৎ কন্নবা হোৎনরক্লিবশিংগী মফম লৈরক্লোই। মালেমদা চাওথোকচরিবা কলচরদা ইনাক খুল্লবা মণিপুরগী মশক মাঙখ্রগনি। য়েলহৌমী কনবা হায়বসি নাৎ কনগদৌরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মরকসিদা সী এ বিগী মায়োক্তা ঙসি য়াইহিরিপোক্তা মীয়াম্না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডি অমদি হোম মিনিষ্টরগী ইফিজি শারগা মৈ থাখ্রে। মণিপুর কোলেজদসু প্রাইম মিনিষ্টরগী ইফিজি শারগা সী এ বিগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মৈ থাখি। তেরা কৈথেলদসু সী এ বিগী মায়োক্তা পী এমগী ইফিজি শারগা মৈ থাখি হায়রি।

সী এ বিগী মায়োক্তা শগোলবন্দ সলাম লৈকায়, লমলোং কৈথেল, নাগামপাল ওটোরিক্সো পার্কিং, খোংমন ওক্রম চুথেক, থোংজু পিচু লম্পাক, কোংবা, চিংমৈরোং মমাং লৈকায়, চিংমৈরোং মনিং লৈকায়, খুরাই সলান থোং, হাওতন, খাগেম্পলি হুইদ্রোম লৈকায়, থাংমৈবন্দ, লিলোং, কৈসাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় কম্মুনিটি হোল, পোরোম্পাৎ এস বি আই ওফিস, খোংমন জোন ৫, ৱাহেংবম লৈকায়নচিংবদা পাক শন্না লম্বী তঙখায় থিংবা অমদি ৱাকৎ মীফমনচিংবা চথখি। অমরোমদা, সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিলগী মায়োক্তা নিংথৌখোং খুন্নাই অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ অমদি য়ু সী ও বি আই দি অনীনা শীন্দুনা টিদ্দিম লম্বী থিংলগা ৱাকৎ মীফম চথখি। তুংদা প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনিষ্টরগী ইফিজিশিং মৈ থাখি।

এম পি এগী ৩২শুবা কুমওন...

লামায় ১গী মখা... অসি অতৈ টাস্ক ফোর্স য়ুনিটশিং, পার্টিগী দিষ্ট্রিক্ট অমদি লোকল য়ুনিটশিংদসু খুঞ্জাশিংগা পূন্না মায় পাক্না পাঙথোকমিন্নখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, কুমওন নুমিৎ অসিগী মপূং ওইবা থৌরমদি লৈপাক্কী নীংতম লালহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী মফমদা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎপা, এম এ সীগী য়াইফ পাউজেল পাথোকপা, চ্যেরমেনগী য়াইফ পাউজেল পাথোকপা, সী ও এ এসকী য়াইফ পাউজেল, তোঙান-তোঙানবা রেঙ্কতা লৈবা ওফিসরশিংনা মণিপুরগী নীংতম লালহৌ অমসুং মাংদা তারিবা থৌদাংগী মতাংদা ৱা ঙাংদুনা খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা য়েক্লবা ইন্দিয়াগী মথক্তা হেন্না কনবা লান্দা চথনবা অমদি পার্টিনা শীন্নরকপা থৌদাং মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্নবা ৱারেপ অমুক্কা হেন্না চেৎশিনহনখি হায়রি।

এম পি এগী ৩২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম অসি মায় পাক্না পাঙথোকপদা তেংবাং পীবীরকখিবা ইরৈচা পূন্নমক্কী মফমদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু য়ু এন এল এফকী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী দিরেক্টর এম শক-হেননা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মফম ৫০ হেনবদা বিলগী মায়োক্তা...

লামায় ১গী মখা... নোর্থ ইষ্টতা সী এ বিগী মায়োক্তা ইহৌ হৌরিবা মীওইশিং অমসুং ইন্দিজিনস কম্যুনিটি খুদিংমক্না খুৎশম্নরগা মখা তানা মুভমেন্ট তৌমিন্নবা, মণিপুরগী ওইনা সী এ বিগী মায়োক্তা মুভমেন্ট তৌরিবা খুদিংমক্কসু মুভমেন্ট অসিগীদমক কোওর্দিনেসন থমমিন্নদুনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মায় পাক্লবা হোৎনবা, মণিপুর মীয়াম্না বিল অসিগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি তুংওইনরম্লগা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা বিল অসি পাস তৌখিবা থোক্লবদি থা অসিগী ২০ দা মীওই লাখ ২ হেন্না তিন্দুনা মীফম অমা ফম্লগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ৱারেপকী মায়োক্তা চপ চাবা পাউখুম অমা পীবা। মীফম অসিদা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর অনীগী মরক্তা লৈনরিবা ফেদরেল রিলেসন অসি অমুক হন্না খন্ন-নৈনদুনা চপ চাবা ৱারেপ লৌবা। মীফমদুনা লৌবা ৱারেপ অদু য়ু এন ও অমদি মেম্বর কন্ট্রিশিং য়াওনা মালেমগী লৈবাকশিংদা খঙহনবা হায়বা অসিনি।

কনভেন্সন অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা পামগী কনভিনর দব্লিয়ু কামেশ্বরনা হায়খি, সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি সেক্যুলর ওইদবা বিল অমনি। মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টগী য়েলহৌমীশিংদা চাওনা শোকহনগদবা বিল অমা ওইবনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্লিবনি। ইন্দিয়াগা য়ুম্লোন্নরিবা পাকিষ্টান অমসুং অফঘানিষ্টাননচিংবা লৈবাক কয়াদগী লাইনিং-লাইশোন খরগী মীওইশিংবু ইন্দিয়াদা সিটিজন পীবগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনরকপা বিল অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর এল সঞ্জুকুমারনা হায়খি, সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলদা য়াওরিবা ৱাফম কয়া অসিনা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংদা শোকহল্লকপা য়াবা মচাক কয়া ওইরি। বিল অসিগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা চঙশিনবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

কনভেন্সন অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়ারদুনা রিছার্স স্কোলর এল মালেমনা হায়খি, নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট কয়াদা হৌজিক সী এ বিগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। য়েলহৌমীশিংগী শক্তম কন্নবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। বিল অসিনা পাস তৌখিবা থোক্লবদি য়েলহৌমীশিংগী শক্তমদা চাওনা শোকহনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। কনভেন্সন অদুদা ওল ইন্দিয়া লোয়র য়ুনিয়ন মণিপুর চেপ্তরগী প্রসিদেন্ট এদভোকেট পুয়াম তোমচা, পামগী কনভিনর অনুৱারি নুরজাহান, কনভিনর এস এম জলাল, কনভিনর এস বিজেন্তিসু প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

পি এ দব্লিয়ু এফকী কুমওন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯(ঐচ এন এস): পেট্রোইটিক রাইটরস ফোরম (পি এ দব্লিয়ু এফ) মণিপুরগী ১১ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরম হয়েং অয়ুক পুং ১১ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালগী হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না পি এ দব্লিয়ু এফ মণিপুরগী সেক্রেটরি রাকেস নাওরেম্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফোরম অসিগী তোঙান তোঙানবা লূপলোইশিংগী মরক্তা মনা অমদি অতৈ অৱাংবা থাক্কী মিংথোন ফংলক্লবা ইবশিং তরাম্না ওকপা, হিদাম দোলেননা ইবা শৈরেংগী লাইরিক অমুবা ঈগী খোঙ্গুল ফোঙবগী থৌরমনা মপোক কুমওনগী মরু ওইবা থৌরমশিং ওইগনি। থৌরম অসিদা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদ চ্যেরমেন এন্দ মেনিজিং দাইরেক্তর নারেংবম সমরজিৎনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াগনি। পেট্রোইটিক রাইটরস ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট য়াইস্কুল খ্বাইরকপম্না থৌরম মপু ওইগনি। সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী এদভাইজর ডা. টি ঐচ চন্দ্রমনি অমদি ডা. টি ঐচ ব্রোজেননা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াগনি। ইম্ফাল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. মোইরাংথেম প্রিয়োবত্তনা অমুবা ঈগী খোঙ্গুল হায়বা লাইরিক অসিগী মরমদা ৱা ঙাঙগনি।

এয়রপোর্ট দ্রগ কেস : নন-লোকেল...

লামায় ১গী মখা... তারকপদা ঙরাংসু কোর্ট অসিদা মপানগী নন-লোকল পি দব্লিয়ু মরি কোর্টনা মচিল হংখি। ঙরাং কোর্টনা মচিল হংখিবা পি দব্লিয়ুশিং অদুদি, জয়পুরগী তোভক রোদকী ন্যু থাইট কোলোনিদগী রুপচান্দ নহার (৬০), অপোকপা লৈখিদ্রবা কুন্দনমল নহার (পি দব্লিয়ু নম্বর-২৩), গাজিয়াবাদকী নেসনল হায়ৱে-২৪ দা লৈবা গোল্ফ লিঙ্কতগী অঞ্জানি কুমার পান্দে (৫০), অপোকপা বিদ্যা চড়ন পান্দে (পি দব্লিয়ু নম্বর-২৪), বেঙ্গলোরগী ৩৩-এ ক্রোস ১৪ শুবা ম্যেন জেনগড়দগী ওম প্রকাস ভন্দারি (৫৬), অপোকপা দিপাচান্দ ভন্দারি (পি দব্লিয়ু নম্বর-২৫) অমসুং কোলকাতাগী ইষ্ট কমলাপুর, দুমদুমদগী দিবেনদু দাস (৩৬), অপোকপা পঞ্চনন দাস (পি দব্লিয়ু নম্বর-২৬)নি।

দিবেনদু দাস এল আই সীগী এজেন্ট ওইদ্রিঙৈগী মমাঙ কুমজা ২০১০ দগী ২০১৩ ফাওবদা দেক্কান কার্গোগী সিক্যুরিটি সুপরভাইজর ওইনা থবক তৌরমখিবা মীওইনি। অতৈ পি দব্লিয়ুশিং অহুম্না এম/এস মহাবির স্পেসিএলিটেগা পার্টরশিপ ওইনা থবক তৌরিবা, রিটক ফোর্ম্যুলেসন প্রাইভেট লিমিটেদ অমসুং মহাবির ফার্মা দিষ্ট্রিব্যুটরনচিংবগী প্রোপ্রাইটরনচিংবা ওইবা মীওইশিং ঙাক্তনি।

মখোয় মরিগী ষ্টেটমেন্টশিং কোর্টসিনা রেকোর্দিং তৌখিবদা কেস অসিগা মরী লৈননা সী বি আইনা শিজ তৌখিবা দোক্যুমেন্টশিংসু মখোয়না কোর্টতা মশক তাকখি। মখোয়গী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা কেস অসিগী এক্যুজশিং ওইরিবা হেনরি ওক্রম, রজনিশ কুমার, রামভির ট্যাগি অমসুং অর্গুসকী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংনা অঞ্জানি কুমার পান্দে অমসুং রুপচানন্দ নহড়দা ক্রোস এগজামিনেসনসু তৌখি।

আই আর বি লৌবগী থবক থৌরমদা...

লামায় ১গী মখা... খূদিংমক মীখা পোনবা ঙাক্তা ওইরি। ঐখোয় ইশাগী কোন্নবা পোখোক পুথোকপা ঙমদ্রি। ঐখোয়গী শেন্মীৎলোন অসি খজিক্তা ওইরবসু ফগৎনবা হোৎনসি হায়রুবদা পংথিংদা থিংই। সেকমাই, অন্দ্রো, ফয়েংনচিংবা মমাংঙৈদগী য়ু শুংদুনা লাক্লবা খুলশিং অসি মওং-মরিল নাইনা মপান্দগী অখঙ-অহৈ য়াওরগা য়ুঙাংগী মওংদা হকচাং শোক্কদবা মচাকশিং য়াওহন্দনা য়ু শুংদুনা মণিপুরগী মপান্দা থাদোক্লবা শেমসি হায়বা ফাওবদা থিংই। কয়া য়াম্না লৈবাক নীংখ্রবগে হায়বদু মীয়াম্না য়েংবীয়ু। শোমদনা মথোং-মরম খঙদনা পোৎয়ান কয়া য়ানশিন্দুনা লৈকায়দা খুল্লক্তা পংফংদা ফংবনা য়ুনা শিরিবা মীগী মশীং অসি নোংমা-নোংমগী হেনগৎলক্লি। ওইল অমসুং নেচরেল গ্যাস চিংথোক্লবা লাকপদসু ঐখোয়গীদি চিংথোকপা য়ারোই হায়না মখোয় অমা-অনী হেক্তা চোংথোরকই। অদুবু ম্যান্মাররোমদগী, অসামরোমদগী পাইপ থিঞ্জিল্লক্তুনা চিংথোকখিবনা মণিপুরদদি রিছোর্সশিং অসি লৈবু লৈরন্নরোই। ঐখোয়গীদি য়েৎপা থিংবা হায়বসি চৎনবী ওইদুনা অদুম লাক্লি। য়েৎপা থিংবা তৌনিংবা, ষ্ট্রাইক তৌনিংলিবশিং অসিদা দিপেন্দ তৌদুনা অদুম লৈরগদি লৈবাক অসি অদুম মাঙদুনা লৈরগনি। লৈঙাক অসিনা ৱারেপ্পরে মদুদি য়াম্না ঈরাং পাম্বা, য়াম্না অয়েৎ-অপন পীগনবা কাঙবু, ষ্ট্রাইকতা তৌনিংবা কাঙবুশিংগী ৱা তারগুমসি। মখোয়শিং অদু নাকলদা থমখ্রগা লৈঙাক অসিনা লৈবাক মীয়ামগা পূন্না অফবা চাউখৎপা থবকশিং তৌরসি হায়নসু খন্নরে।

অনৌবা লৈঙাক অসি লাকপদগী মীয়ামগী নুমিৎ হায়দুনা নুমিৎ অমা থল্লগা পুলিস, দি সী, অসাম রাইফলসনচিংবনা ক্লবশিংগী মীহুৎশিং অমদি মীচম মীয়ামগা ৱারী-ৱাতাই শানদুনা তাথোক-তাশিন তৌনদুনা ৱাখল তামিন্নরে। অসিগুম্বা থৌশিল অসিনা সিক্যুরিটি অমসুং মীয়ামগী মরক্তা অফবা মরীসু লাক্লে।

মণিপুর পুলিস হাওজিং কোর্পোরেসন লিমিটেদনা কন্সট্রক্সন এজেন্সী ওইদুনা লমখাই কৈথেলদা ইমা কৈথেল শাগদৌরিবা অসি চহী অসিগী ওগষ্ট ১৫ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগনি। কোংবা, লঙ্গোং অমদি ক্বাকৈথেলদসু অনৌবা কৈথেলশিং শানবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

গো টু হিল মিসন পায়খৎপনা চীং অমদি তম্পাক্তা লৈরিবা মীয়াম নকশিন্নহল্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, গো টু ভিলেজ অমদি গো টু হিলনচিংবা থৌরাংশিংনা মরম ওইরগা মনুং হঞ্জিনবা মফমদা খুন্দারিবা মীয়ামগী অৱাবা পূন্নমক ময়েক শেংনা খঙবা ঙল্লে। মহৈরোয়শিংদা লেম্না মহৈ তমহনবা ফংহন্নবগী পান্দমদা লৈঙাক্না স্কুল ফগৎহনসি মিসন পায়খৎপা হৌরে। থৌরাং অসিনা লায়রবা মহৈরোয় লিশিং কয়াদা কান্নবা ফংহল্লগনি।

মীয়াম্না তাল্লিবা শেল অয়াম্বা অঙাংশিং মহৈ-মশিন তমহনবদা চাদিং তৌরি হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, স্কুল ফগৎহনসি মিসন পায়খৎলবনিনা মমা-মপা ওইবশিংনা তানবা শেল খরমখৈ তুংশিনবা ঙমহল্লগনি। মিসন অসিগী মখাদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬০ দা লৈঙাক্কী মোদেল স্কুল অমমম্ থল্লগনি। প্রি-নর্সরিগী থাক্তগী লাইরিক তম্বীবা হৌগদৌরিবা স্কুলশিং অসিদা তাকপী-তম্বীনবা প্রি-নর্সরি টিচর ১২০ লৌনবা কেবিনেটনা অয়াবা পীরে।

ষ্টেট অসিগী য়ূমথোঙ খূদিংদা থক্লবা ঈশিং ফংহনবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, য়ূমথোঙ খূদিংমক্তা অফবা ঈশিং ফংহন্নবগী থৌরাং অমা লৌখৎনবা ন্যু দিভলপমেন্ট বেঙ্কতগী লুপা ক্রোর ২,৬০০কী তেংবাং লৌনবা হোৎনরি।

মীয়াম্না পীশিল্লকখিবা মেমোরেন্দমশিংগা মরী লৈননা হিয়াংলম, ৱাবগাই অমদি অকোয়বগী মফমশিংদা তোইনা ঈশিং থুম্বদগী মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খূদোংচাদবশিং কোকহন্নবগীদমক অথুবা মতমদা মরাম মরিল তেংবগী থবক পায়খৎপা হৌরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মনিদকো অমদি মনিত্রোনগী চ্যেরমেন ডা. য়ুম্নাম রাধেশ্যামনা প্রসিদেন্ট, কঞ্জ্যুমরস এফেয়র্স ফূদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর করাম শ্যাম, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো, ককচীং এ সীগী এম এল এ, ৱাই সুরচন্দ্র; কুম্বী এ সীগী এম এল এ, এস বির অমদি চীংঙাই এ সীগী এম এল এ খাশিম ভাসুমনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

‘পুন্সিদা তম্বা লেপ্পা য়াদে, খ্বাইদগী ফবা ওজাদি এক্সপিরিএন্সনি’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯(ঐচ এন এস): মীওইবগী পুন্সিদা তম্বা হায়বসি লেপ্পা য়াদে, খ্বাইদগী ফবা ওজাদি এক্সপিরিএন্সনি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম্না ঙসি জেনিয়স মাইন্দ টেক, ইম্ফালগী মিদ ব্রেন্দ এক্তিভেসনগী মায় পাক্লগা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওকপা অমদি ৱেভসাইট লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

লময়ানবা শঙলেন পেলেস কম্পাওনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম্না হায়খি, অঙাংশিংবু পুক্লিং থৌগৎপিবা হায়বসি মখোয়গী কনফিদেন্স শাগৎনবগী মরু ওইবা অমনি। অঙাং অমনা করিগুম্বা এগজামদা ফেল ওইরকপা মতমদা চৈবিবা নৎত্রগা অশাওবা উৎপগী মহুত্তা তুংদা কন্না হোৎনহন্নবগীদমক নীংথিনা লমজিংবিগদবনি। মীওইবগী পুন্সিদা তম্বা হায়বসি লেপ্পা য়াদে। নীংথাদগী মোঙফম ফাওগী খোঙচৎতা মীওইবনা তম্বা লেপ্তে। পুন্সি হায়বসি স্কুলনি। খ্বাইদগী ফবা ওজাদি এক্সপিরিয়ন্সনি।

মীওইবগী পুন্সিদা থেংনরকপা থৌদোক নৎত্রগা উরকপা অমদি ফংলকপা এক্সপিরিয়ন্সশিং অসিনা ৱাখল লৌশিং কয়া ওইবা য়াই। অঙাংশিংনা তম্বা হৌবসি ইমুং-মনুংদগী হৌই। মমা-মপা ওইবশিংনা অঙাংনা য়াম্না নীংথিনা চৎমিন্নদুনা তাথোক-তাশিন তৌবা মরু ওই। অঙাংনা পীক্লিঙৈ মতমদা মমা-মপা ওইবশিংগা লোয়নরগা চৎপা অসিনা অঙাং অমদি মমা-মপাগী মরক্তা নুংশিবগী মরী অদুসু শাগৎলি। ঐখোয়না হকচাং ফনা লৈনবগীদমক শাজেল তৌই। অদুবু পুক্লিং ৱাখল ফনবা হোৎনবসু তঙাইফদে। মীওইবনা পুন্সিদা নুংঙাইনা হিংবদা হকচাং ফনা অমদি পুক্লিং ৱাখল ফনা থম্বা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী লাইরিক্তগী পারগা খঙবা কয়া অমসু লৈ। মশাগী ওইবা ৱাখল লৌশিং কয়া পুথোকচবা ঙম্নবসু ঐখোয়না হোৎনবা তাই। তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌবা অঙাংশিংবু শেম্বদা ঐখোয়না থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওইনা শরুক য়ারদুনা এম এল এ, নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, মিদ ব্রেন্দ এক্তিভেসন্না অঙাংশিংদা কান্নবা কয়া পীরি। অঙাংশিংগী হৈ-শিংবা অমদি লৌশিং হেনগৎহনবদসু মতেং ওইরি। পীক্লিবা অঙাংশিংবু নীংথিনা মখোঙ শোম্বীদুনা খুন্নাইগীদমক থৌদাং কয়া লৌবা ঙমগদবা অফবা মী ওইহন্নবা হোৎনবা তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রমনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুনা এদুক্যেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম্না জেনিয়স মাইন্দ টেককী ৱেভসাইট অমদি দি এম আই টি লোঞ্চ তৌখি।

মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯(ঐচ এন এস): ৱর্ল্ড বেম্বু ৱর্কশোপকী শরুক অমা ওইনা হপ্তা কাঙজেবুংদা ইগজোটিক স্কুল ওফ কুক্কিংনা পোপা রেষ্টোরেন্টকা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকপা বেম্বু কুক্কিং কম্পিটিসনদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা য়েন্থোকখ্রে।

সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ঙরাং পাঙথোকখিবা ৱর্কশোপ লোয়শিনবগী থৌরমদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা য়েন্থোকখি। অহানবা তাখিবা ডা. লোইতোংবম নেলসনদা লূপা লিশিং ২৫, অনিসুবা তাখিবা য়ুরিনচোন কৈশিংদা লুপা লিশিং ১৫ অমসুং অহুমসুবা তাখিবা জিংয়াতফি হুংয়োদা লূপা লিশিং ১০ গা লোয়ননা সার্টিফিকেট অমমম খুৎশিন্নখি। অথোই অহেন তান্নবদা শরুক য়াখিবা কন্টেষ্টেন্ট পুম্নমক্তসু সর্টিফিকেট অমদি খুদোল তমখি।

ওফিস লৈবগী কান্নবা খুঞ্জাশিংনা ফঙদ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯(ঐচ এন এস): খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চনবা শগোলমাংদা লৈরিবা ই ও এগ্রীকলচর ওফিস অসি ফঙ্কসন তৌনরক্তবা চহী ১০ হেল্লে। ওফিস অসি লৈবগী কান্নবা খুঞ্জাশিংনা ফঙবা ঙমদ্রে হায়রি। ঙসি পি দি সী সীগী সেক্রেটরি হেমজিৎনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা ওফিস অসি হৌখিবা কুমজা ১৯৯৩ গী জুলাই থাদা সেঙ্কসন ওর্দর থোক্তুনা শাখি। হায়রিব ওফিস অসি খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ ওইরম্বা কে বিনোই চীফ গেষ্ট ওইদুনা কুমজা ১৯৯৬ ফেব্রুৱারী থাদা শগোলমাং ই ও এগ্রী ওফিস অসি য়াম্না নিংথিনা ফঙসন তৌদুনা মায়কৈ অসোমগী লৌমীশিংগী মথৌ তাবা মচাক পুম্বা ফঙহন্দুনা লাকখি।

নোংমৈ মাঙখিবগী...

লামায় ১গী মখা... এম এল এ অসিগী ময়ুমদা থিবা হুম্বা চথবদা এম এম ৯গী পিষ্টোল অমা ফংখ্রবনি। য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু কে এল এফ)কী লুচিংবা সোসন হাওকিপকী ময়ুমদগীসু এম এম ৯গী পিষ্টোল ৯ এন আই এনা ফাগৎখি। এজেন্সি অসিনা লালহৌবা ৯ আর্মস কোটতগী মাঙখিবা নোংমৈ ২০গা কোন্ননা ফাগৎখি। কুমজা ২০১৬-১৭ তা পিষ্টোল ৫৬ অমসুং মেগজিন ৫৮ মাঙখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা য়ামথোং হাওকিপ ফাখি। এন আই এনা কেস অসিগা মরী লৈননা কুকি রেভল্যুসনরি আর্মি (কে আর এ)গী চ্যেরমেন দেবিদ হংশিং, য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু কে এল এফ)কী চ্যেরমেন লুনখোসন হাওকিপ অমদি য়ুমথোং হাওকিপগী দ্রাইভর টি ঐচ দাইমনদগী মথক্তা সপ্লিমেন্টরি চার্জসিট ফাইল তৌখি। মরাল লৈরে হায়রিবা মীওই অহুম হৌজিক-হৌজিক জুদিসল কষ্টদিদা থম্লি।

সিটিজন্সিপ বিল পাস তৌরবদি বি জে...

লামায় ১গী মখা... এন পি পিনা বি জে পিগা খুৎশম্নদুনা মণিপুর অমদি মেঘালয়াদা লৈঙাক পায়রিবনি। মেঘালয়াদা পার্টি অসিগী এম এল এ ২০ অমসুং মণিপুরদনা এম এল এ মরি লৈরি। মণিপুরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্তা এন পি পিগী এম এল এ মরিনা সপোর্ট তৌরি। মেঘালয়াদনা এন পি পিগী লৈঙাক্তা বি জে পিনা সপোর্ট তৌরিবনি।

মেম্বর ওইরিবা মীওই খরখক্কী...

লামায় ১গী মখা... লাইবকথীবা তানফম অমা মায়োক্লরকপদগী কুমজা ২০১৪-১৫ গী ‘দ্রামা ফেষ্টিবেল’ পাঙথোকখিবদগী ঙসি ফাওবা পাঙথোকপা’ ঙমদনা লাকখি। মরকসিদা ‘আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট’ না ‘ইষ্টন জোন কলচরেল সেন্টর’ দগী শেনফম খরা লৌরগা দ্রামা ফেষ্টিবেল অমা সীন্নব মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি দা শিন্নরক্লে হায়বা তারে। মতম লোইদুনা মুখ্থৎখ্রবা থিয়েটর অমদি সুমাং লীলাগী ষ্টেন্দিং কম্মীটি না তৌনি তৌরোই খঙদ্রিবা ফেষ্টিবেলগীদমক অফংবা প্লে তরা খক খনগৎতুনা থনল্লে। দ্রামা তরা অদু করম করম্বা থিয়েটর গ্রুপশিংগীনো হায়বা ঙসি ফাওবা হায়দোক্ত্রি। হয়েং হৌবা নুমিৎতা ‘পান্থোইবী নাত্য মন্দির’ গী ‘পুন্সি পামেল’ উৎকনি হায়বা চেবাউদগী খঙলে।

করম্বা মওংদা কনাবু ষ্টেন্দিং কম্মীটিদুনা খল্লম্বনো, কম্মীটিদুগী মেম্বর অহুম্না মশা-মশাবুদি খল্লন্নগা অতোপ্পা কয়া অমবুদি খন্দোক্তুনা থনল্লিবা করিগীনো, নেসনল থিয়েটর মুবমেন্ট তা অকনবা থৌদাং য়ারিবী, এক্তিব ওইনা ঙসিসু মথৌ তৌরিবী নুপী-থিয়েটর-দাইরেক্তর অমত্তংগী মিং খন্নরমখিদবা করিগীনো, মশাগী ষ্টেন্দিং-হোল লৈজবগা লোয়ননা ঙসিসু লেপ্তুনা লীলা পুথোক্লিবা ‘রুপমহল থিয়েটর’ অমদি ‘মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন’ অনীবু কাওথোক্লম্বনা করিগীনো হায়না চেরোল অসিনা হংলক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ৱাফমসিগা মরী লৈননা, মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা ৱাকৎ-চে লানখৎলুবসু, ৱারী শানদুনা ৱাখল তামিন্ননবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলকপসু তৌবীদে হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, চীনহায় ওইনা, পাউথাং ওইনা মসিদি একাদেমিগী তৌফম থোকপা ফেষ্টিবেলদু নত্তে, ই জেৎ সী সীগী প্রোগ্রাম্মি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া খংহল্লকখি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি মীয়াম পুম্বগীনি, মেম্বর ওইরিবা মীওই খরখক্কী ইন্টরেষ্ট’ তা থবক তৌননবা নত্তে হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, চহী মরী চুপ্পা থিয়েটর ফেষ্টিবেল তৌবা ঙম্লক্ত্রবা মতুংদা ফেষ্টিবেল অমা শীন্নবা তাঞ্জা ফঙলকপদা একাদেমিগী থৌপুবশিংগী নক্ক-চান্নবা খরখক্তদা খুদোংচাবা পীফম থোক্তে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

দেবোইদ দি আর্ট অননোন মিংথোনবা...

লামায় ১গী মখা... কনা অমত্তদগী মতেং য়াওদনা ইশা-ইশানা শেল খায়নরগা এগজিবিসন অসি পাঙথোকপনি। আর্টসু মণিপুরদা তল্লক্তে। দিল্লিদা অয়াম্বনা তল্লকই। আর্টপু পামজবদগী এগজিবিসন অসি লুপা লাখ ৩ লোম চঙনা শীনবনি। লৈবাক্কী ওইবা ঈরাং সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিলনচিংবগী প্রোটেষ্ট কয়া চঙশিল্লিবা অসিনা এগজিবিসন অসিদা মীওই কয়া চঙলক্তে। মসিদা নুংঙাইতবা ফাওই। এগজিবিসন অসি শীনবদা মীওই অমনা লুপা লিশিং ৭০ রোম পুথোকই। মসিদগী হেন্না পুথোকপসু য়াওরি। মণিপুরদা এগজিবিসন অসি পাঙথোক্লিংবদগী দিল্লিদগী ফ্লাইট তোংদুনা লাক্লগা মফম অসিদা এগজিবিসন পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা কয়াদি থেংনৈ। নরেশ মৈতৈনা ফোঙদোরকখিবদা, আর্টতা থৱায় য়াওজবা ঐখোয়গুম্বশিং অসি লৈঙাক্না সপোর্ট তৌহন্নীংই। মফম চাবা আর্ট গেলরি অমসু থম্বীবা পাম্মী। ঙসি পাঙথোক্লিবা মফম অসিসু ৱাইবনি। মহৈরোয়শিংনা মসিগুম্বা এগজিবিসন অসি পাঙথোক্লিংবা মতমদা পাঙথোক্লবা মফম থমহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোকখি।

মোদিনা অসামদা লৈরিঙৈদা ফি...

লামায় ১গী মখা... কৌখিবা পুং ১২গী বন্দসু মপূং ফানা চথখি। বন্দ অদু কে এম এস এস য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসন ৭০ না শৌগৎখিবনি। ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননসু মোদিগী রেল্লি পাঙথোক্লিবা মফম অদুদগী কিলোমিটর ১০ রোম লাপ্পা লৈবা আমিন গাওন হাজো রোদতা অমুবা বেলূন কয়া থাগৎতুনা প্রোটেষ্ট চথবদা পুলিসনা লাঠি চার্জ তৌদুনা তানখায়খি। অসামগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদসু নরেন্দ্র মোদিগী ইফিজি মৈ থাখিবগা লোয়ননা ব্লেক বেলূন কয়া নোংথক্তা পাইহনখি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইটানগরদা থুংলখিবা মতমদা কোংগ্রেস ৱকরশিংনা অমুবা ফিরাল পায়দুনা “গো বেক মোদি” হায়বা খোল্লাও লাওদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে। পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা অরুনাচল প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী স্পোক্সপার্সন তোকো মিনানা হায়খি, মীয়াম্না য়াদ্রবা বিল অসি ৱিদ্রো তৌদ্রিফাওবা হনবা লৈতনা খোঙজং চঙশিনগনি।

চৈরকসিদা নাগালেন্দ গাওন বুরাজ ফেদরেসন (এন জি বি এফ)না সিটিজনশিপ বিলগী মায়োক্তা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৬ তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা পুং ১০ চুপ্না ষ্টেটকী মফম পুম্নমক্তা বন্দ তৌগনি হায়না লাউথোকখ্রে। ট্রাইবস হোহো, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমদি লূপ কয়ানা পুনশিল্লগা শেম্বা এন জি বি এফকী খোঙজংদা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)নসু মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখি।


Theatre Festival of Creative Directors
Organised by
MANIPUR STATE KALA AKADEMI, IMPHAL
EASTERN ZONAL CULTURAL CENTRE, KOLKATA
&
DEPARTMENT OF ART & CULTURE, MANIPUR

Inauguration:- 10/02/2019 at 4:00 p.m.
Venue: Maharaja Chandrakirti Auditorium, Palace Compound, Imphal

Date	Name of the Organisation & Director	Name of the play
10/2/2019	Panthoibi Natya Mandir *'Director: Y. Rajendra Singh'*	*Punshi Pamel*
11/2/2019	Liberty Theatre *'Director: Uttamkumar Naorem'*	*Laampi*
12/2/2019	Cosmopolitan Dramatic Union *'Director: Nandakumar Moirangthem'*	*Mangalgee Ithak Irei*
13/2/2019	Khoriphaba Artistes' Association *'Director: Ranabir Khoisnam'*	*Post Master*
14/2/2019	Kanglei Mime Theatre Repertory *'Director: Dr. Y. Sadananda'*	*No Budget*
15/2/2019	N.T. Theatre *'Director: Deepak Ningthouja'*	*Gandhari*
16/2/2019	Manipuri Ensemble *'Director: Kshetri Jugindro'*	*Bhagavadajjukam*
17/2/2019	Theatre Mirror *'Director: Wareppa Naba'*	*Sikari*
18/2/2019	Aryan Theatre *'Director: Dr. N. Premchand'*	*Magidamak*
19/2/2019	Deal Repertory Theatre *'Director: P. Khogendra Singh'*	*Chingya Tamya*
20/2/2019	*Discussion Session Morning at 10:00 a.m.*	

All are welcome, daily plays at 5:00 p.m.
HL-P/3464/10